**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-01-2026)**

**ৱার্কসোপ (এল)ঃ** শঙাই অমদি মসিগী লৈফমগী অকোইবগী ফিভম কায়হন্দবা অমদি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথরকপা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ কম এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

সোসাসাইতি ফোর শঙাই এন্দ নেচর কঞ্জারভেসন-কৈবুল লমজাউনা রাজ্যগী অমদি কেন্দ্রগী বিভাগ অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংগা খুৎশমদুনা চথরকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিৎতা অখণ্ড অহৈ কয়ানা সঙাই অমদি লমদম অসিগী তাংলবা শা-উচেক, পাম্বী অমদি অকোইবগী ফিভম কনবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। কম্ম্যুনিতি এক্সন প্লান ফোর কঞ্জারভেসন হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবা খন্ন-নৈনবগী সেসন অমসু পাঙথোকখি।

**বিমোল(এল)ঃ** লোক সভা সদস্য-ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি কনানা থোকহনবনো অমদি মসিদা কনা- কনাগী খুৎ য়াওই হায়বসি মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী মতম ওইরে।

শগোলবন্দ ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ঙসি শগোলবন্দদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা রাজনিতিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিমোলনা হায়-রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্স মতিক চানা লৈরবসু ইরাং অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মসিগী হৌরকফম মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবা তঙাইফদে। রাজ্য অসিগা রাজনিতি তৌরিবা মীওইশিংনা কেন্দ্রগী লুচিংবা ওইদুনা অশোয়বা কয়া চুমথোকবা হোৎনবা চংই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌরমদুদা এম.এল.এশিং-কে. রঞ্জিৎ, টি.ঐচ.লোকেশ্বর, শগোলবন্দ

কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ. ডা: কে.ঐচ. লোকেন অমদি কংগ্রেস দলগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**মেঘাচন্দ্র(এল)ঃ** এম.জি-নরেগা বচাউ সংগ্রামগী শরুক অমা ওইনা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা লুচিংবা কংগ্রেসকী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি উখ্রুলদা থুংখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-মফম অদুগী মীয়ামনা মায়োক রিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্নবগীদমক মীহুৎ কাংবু অদুদা মফমদুদা চৎপনি। মখোয়না মফম অদুদা অনা লায়েংগী কেম্পনচিংবসু পাঙথোক্কনি। মীহুৎ কাংবু অদুনা জেসামিদসু চৎকনি হায়রি।

**পুয়া(এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ওবজারভেসন কমিতি ওন পুয়া মৈ থাবা-না শিন্দুনা ঙসি পুয়া মৈ থাবগী চহি ২৯৭ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক কংলা উত্র মমাংদা পুয়া মীকৌবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**পেট্রোল(এল)ঃ** মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেরটরনিতিনা মখোয়গী দাবীশিং তকশিনবা ওইনা পেট্রোল পম্পশিং থোং লোনবগী খোঙজং ঙসিগা থানা নুমিৎ হুমনি শুরে। মসিনা পেট্রোল অমসুং দিজলনচিংবা শিজিন্নরিবা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

**ককচিং (এল)ঃ** ট্রাভেল্লরস ফোরম মনিপুরনা শিনদুনা 'হিংখিগনি ঐখোয়' হায়না মিংথোনবা খোঙচৎ অমা ঙসি ইম্ফালদগী ককচিং ফাওবা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু ইম্ফালগী কৈশামথোংদা লৈবা আর.কে.সি.এ.স. আর্ট গেলারিদগী লমথাদুনা ককচিংদা লৈবা অঙান চীং ইকো পার্কতা থুংখি।

**মুকা (এল)ঃ** মুকা কাংজৈ মশান্নগী নিতি নিয়ম অমসুং চৎন কাংলোনশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা মণিপুর ষ্টেট মুকা কাংজৈ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লমফেলপাৎকী ইপা থৌকোক-সেন্তর ফোর আর্টসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুরগী য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা মুকা কাংজৈবু য়োকখৎতুনা ঙসিগী নহাশিংদা মশান্না অসি শান্নবগী পুকিং থৌগৎনবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটকী রাজকোটতা লৈবা মরৱারি য়ুনিভরসিতিদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা কটচ অমসুং সৌরাস্ত্রাগী ভাইব্রেন্ট গুজরাট রিজনেল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে। মীফম অসি সৌরাস্ত্র অমসুং কটচকী জিলা ১২ গী ইনভেষ্টমেন্ট ইনোভেসন অমসুং গ্রোথকী চাং হেনগৎহন্নবগী পান দমদা পাঙথোকপনি।

গুজরাটকী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রিনা সৌরাস্ত্রগী জিলা তরেৎকী অনৌবা গ্রীন ফিল্ড স্মার্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট ১৩ অমসুং রাজকোটকী মেদিকেল দিভাইস পার্ক অমসু ভরচুয়েল ওইনা হৌদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসিদি ভাইব্রেন্ট গুজরাট সমিট অসি মালেমগী ওইনা গ্রোথ, অমগা অমগা তেংবাং পীনবা অমদি মরুপ-মপাং ওইবগী মরুওইবা প্লেটফোম অমা ওইরে। মহাকা হায়-হেক হৌবদগী হৌদুনা মহাক্কা ভাইব্রেন্ট গুজরাট সমিটকা মরী লৈনরকখি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, গুজরাটকী হৈথোই শিংথোহবা কয়া অদুবু মালেমদা উৎথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা লৈবাক অসিগী শকাইরবা করবারৱালা অমসুং রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিজগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর-মুখেস অম্বানিনা

মহাকপু সমিট অসিদা শরুক য়াহনবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎখি। প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎলদুনা মহাকা হায়-নীংতম্লবা ভারতকী ইতিহাসতা ঙসি ওইরিবা ফিভম অসি অমুক্তা ওইখিদ্রি। শ্রী মোদিগী মতম অসি শক্তি কয়াবু থবক্তা ওন্থোকপগী খোঙচৎ অমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মদুগী মমাংদা, মহাক্কী গুজরাট খোঙচৎকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রিনা রাজকোটতা ভাইব্রেন্ট গুজরাট ত্রেদ ইগজিবিসন হৌদোকখি। মসিদা ইগজিবিটর ৪০০ হেনবনা শরুক য়ারি।

ঙসি অয়ুক প্রধান মন্ত্রিনা ঐতিহাসিক ওইরবা সোমনাথ স্বাভিমান পর্বদা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৰা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা মীয়ামদা লৈবাক অসিবু থুগায়নবা, লোতুনরিবা শক্তি পুমমকপু মায়থিবা পীদুনা অমত্তা ওইনা লেপবা হায়খি। শ্রী মোদিনা ফেষ্টিবেল অসি শুপগী ঐতিহাসকী থৌদোকপু শিংথাদুনা পাঙথোকপা নত্তে। মসিদি, সোমনাথ লাইশঙবু তুংগী মীরোলগীদমক নীংথিনা থমবা খোঙচৎকী অচৌবা খুদোংচাবা অমনি।

**পোষ্ট ঃ** কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন মন্ত্রি-জ্যোতিরাদিত্য সিন্দিয়ানা ইন্দিয়া পোষ্টকী অনৌবা সার্ভিস অনি হৌদোকখ্রে। সার্ভিসশিং অদুদি স্পিদ পোষ্ট ত্বেন্তি ফোর অমদি স্পিদ পোষ্ট ফোরতি আইটনি। থৌরাং অসিনা পোষ্টতা থাবা পোৎলমশিং পুং ২৪ অমদি ৪৮ গী মনুংদা য়ৌহনগনি হায়রি।

মধ্য প্রদেশকী সিভপুরি জিলাগী পিচোরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৰাফম অসি মন্ত্রিনা লাউথোকখিবনি। মসিনা পোষ্টেল সার্ভিসতা অনৌবা খোঙথাং অমা থাংজিনবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়-স্পিদ পোষ্ট ত্বেন্তি ফোর অমসুং স্পিদ পোষ্ট ফোরতি আইট অসি থাজবা য়াবা অমদি অথুবা মতমদা, মতম চানা মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙম্বা সার্ভিস অমনি।

**দুবেঃ** কোল অমদি মাইন্সকী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি সতিসচন্দ্র দুবেনা হায়রি-কেন্দ্র

সরকারনা অৰাং নোংপোক লমদমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। ৰাফম অসি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা নাগালেন্দদা লাকখিবা মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা সরকারনা থাদরক্লিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিং অমদি ফন্দশিং য়েংশিন্দুনা অৰাং নোংপোক লমদম অসি চাওখৎনবা হোৎনরি। মন্ত্রিনা হায়-স্কিমশিং মপুং ফানা মীয়ামদা য়ৌহনবদা থিন্থহনবা অমদি লান্না শিজিন্নবগী মরম খঙদোক্তুনা লোইশিন্নবগী ৰাফমশিংসু মরী লৈনবা মীওইশিংগা খন্নখি।

**দাইলোগঃ** ন্যু দিল্লিদা চত্থরিবা ভিক্সিত ভারত য়ঙ লিদরস দাইলোগতা ঙসি ইসরোগী এস্ত্রোনোটশিং-সুভানশু শুক্লা অমসুং প্রসান্ত নায়রনা নহা ওইরিবা লুচিংবশিংগা লুচিংবা অমা ওইবগী মগুন, মখোয়গী তৌফম থোকপা থবক অমদি লৈবাক অসি শেমগৎপগা মরী লৈনবা ৰাফম কয়াগী মতাংদা ৰারী শাখ্রে।

ভারতকী এস্ত্রোনোট অমসুং গ্রুপ কেপটেন-সুভানশু শুক্লানা হায়-নহাশিং অসি লৈবাক অসিগী লননি। মায় পাকপগী লম্বীদা লেপ্তুনা চংশিন্নবা পুকিং থৌগৎলদুনা মহাকা নহা ওইরিবা লুচিংবশিং অদুদা মশানা মশাবু থাজবা অমদি অখাঙ কনবগা  লোয়ননা থবক তৌনবসু হায়খি।

**জয়শঙ্কর**ঃ  মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা মহাক্কী ফ্রান্স অমসুং লুজেমবার্গ খোঙচৎ লোয়শিনখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী জয়শঙ্করনা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-এমান্যুয়েল মেক্রোন অমসুং লৈবাক অদুগী মপান থৌরম মন্ত্রি-জোন নোয়েল ভেরোতকা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা ৰারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা ইন্দিয়া-ফ্রান্স ইয়ার ওফ ইনোভেসন হায়বসিদা মীৎয়েং থমদুনা ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজি, স্তার্টঅপ, হকশেল, শিক্ষা

অমসুং মোবিলিতিনচিংবা হীরমশিংদা ৱারী শান্নখি। মসিদা নত্তনা ঙাকশেল, স্পেস, সিভিল ন্যুক্লিয়ার অমসুং মেরিটাইমস সেক্যুরিতি, শেল থুম অমসুং মালেমগী ওইবা চাউখৎ খোঙথাংশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

শ্রী জয়শঙ্করনা লুজেমবার্গকী প্রধান মন্ত্রি-লুক ফ্রেদেন অমসুং লৈবাক অদুগী ফোরেন মন্ত্রি-জেবিয়ার বেটেলগা উন্নখি। ভারত অমসুং লুজেমবার্গকী ওইরিবা মরী, রাজনিতিগী ওইবা তেংবাং, লল্লোন ইতিক, শেল থুম, ইনোভেসন, দিজিটেল টেকোলোজি, স্পেসনচিংবগী হীরমশিংদা লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নখি।

**মানভিয়াঃ** কেন্দ্রগী যুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মানভিয়ানা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ফিট ইন্দিয়া সন্দেস ওন সাইকলগী ৫৬ শুবা এদিসনদা শরুক য়াখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ভিক্সিত ভারত য়ঙ লিদরস দাইলোগতা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা লুচিংবশিং, ভারতকী টেনিস স্তার-লিয়াদর পেচ অমসুং সট্টলর-পুলেরা গোপিচান্দসু সাইকল রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: মানভিয়ানা হায়-সাইকল থৌবা হায়বসিনা লুচিংবা অমনা চেনগদবা গুনশিং অদুসু তন্বীরি। মসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা করম্বা মতমদা অখাঙ কনগনি, পুকিং ফাথগনি অমদি থৌনা হাপকৎকনি হায়বনচিংবা কয়াবুসু তন্বী। মহাকা হায়-ঙসিদি লৈবাক অসিগী নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা মফম লিশিং ১৫ হেনবদা সন্দেস ওন সাইকলগী খুথাংদা মশা-মউ ফনা থমবগী পাউজেল শন্দোক্লি।

মহাকা হায়-মমাং চহিদা সন্দে ওন সাইকল অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৪০ দা হৌদোকখি।

**বহাদুরঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-লাল বহাদুর সাস্ত্রি লৈখিদবগী কুমওন নুমিৎতা ভাইস প্রসিদেন্ট এনক্লেপতা মহাক্কী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা উপ রাস্পতিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লাল বহাদুর শাস্ত্রি অসি মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমা ওইরম্মী অমসুং মহাক অসি ইচম চমজবা, অপুনবগী শক্তম শাগৎপা অমসুং লৈবাক্কীদমক কৎথোক্লবা মীশক অমসু ওইরম্মী।

শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী খোল্লাউ-জয় জৱান, জয় কিষান হায়বসিনা মীরোল কয়াদা পুকিং থৌগৎলি। মসিনা লৈবাক অসিগী লান্মীশিং অমসুং লৌমীশিংবু মপুং ফানা ইকায় খুমবা অদুবুসু উৎলি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা লাক্কদৌরিবা কেরলা বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা তিরুবন্তপুরমদা মীসন-২০২৬ হৌদোকখ্রে।

তিরুবন্পুরমগী কোদিয়াদা লৈবা উদে পেলেস কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী সাহনা হায়-বি.জে.পিনা ভিক্সিত কেরলা অমা শাগৎনবগীদমক রাজ্য অদুদা বি.জে.পি. সরকার শেমবা হোৎনরি। ভিক্সিত ভারতকী মংলান অসি ফংনবগীদমক ভিক্সিক কেরলা অমা ওইহনবা তঙাইফদে।

শ্রী সাহনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি লম কয়াদা মালেমগী থাক্কা মান্ননা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। কেরলাসু অসিগুম্বা চাউখৎ খোঙথাং অসিদা খোংজেল য়াংনা মাংলোমদা চংশিনবগী মতম ওইরে।

**ত্রাইথলোনঃ** ইন্দিয়ান ত্রাইথলোন ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ফাইব ৱান ফাইব জিরো ত্রাইথলোন সেরিজনা শিনদুনা চেন্নাইদা পাঙথোকপা নেসনেল ত্রাইথলোন চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ কী সেনিয়ার কেটেগোরিদা মনিপুরগী

শরুংবম অথৌবা মীতৈনা সনাগী তকমান ফংলে।

ইভেন্ট অসিগী মনুং চন্না কিলোমিটর ৫ গী লমজেলদা অথৌবনা মিনিট ১৯ গা সেকেন্দ ২০ দা পন্থুংফম য়ৌখি। কিলোমিটর ১০ গী লমজেলদা মহাকা মিনিট ৩৫ গা সেকেন্দ ৫৫ দা পন্থুংফম য়ৌখি অমসুং কিলোমিটর ৪০ গী সাইক্লিংদা পুং অমগা মিনিট ৫ গী মনুংদা য়ৌবা ঙমখিবনি।

থোকচোম চন্দ্রকুমার অমসুং অঙোম সুপরমেননা কোর্চ ওইনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখি।

**ফুটবোল ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা এ.আই.এফ.এফ. টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন ত্রাইয়েল, লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** অহুমশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.পি.এ. থৌনাওজমনা এস.দি.সি. শুগবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এস.ৱাই.দি.এ. ক্ষেত্রিগাউনা শামুরৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-খুমন লৈবাক ময়াং ইম্ফাল অমদি ৱাই.এস.সি. নাওরেম চাপ্রৌ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা মেটচতা-পুজা এফ.সি. হৈরোকনা রোজিকান্তা এফ.সি উচিৱা হয়েলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটসাল ঃ** কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফিফ ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ক্রিপসনা

এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ১০-৭ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক-তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচতা-ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমনা এন.সি.এ. নিংথৌখোংবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-পি.সি.সি. ময়াইকোইবীনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পার্টি টুবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওহনা ত্রোফি অসিগী পোইন্ট টেবলদা পি.সি.সি. ময়াইকোইবীনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি।